ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯱꯶, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯶꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, দিসেম্বর ১৬, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ২৬১শুবা মশীং

# কন্দেমনেসন খক্তনা য়ারোই

## মায়পুননা হোৎনমিন্নহৌগদবনি

দিসেম্বর ৪, ২০২১গী নুংথিলদা নাগালেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্টকী ওটিং ভিলেজদা থোকখিবা থৌদোক্তুগী মায়োক্তা পেন্দবা, য়ানীংদবা ফোঙদোক্লুরকপা, প্রোটেষ্ট তৌনরকপা লেপত্রি। অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী মনুংদগী থৌদোক্তুবু হকথেংননা মায়োক্লখিবা নাগালেন্দ, য়ুমথংনরিবা মণিপুর অমসুং মেঘালয়াগী য়াওনা লন্নাই লূপশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (সী এস ও) শিংদগী হেন্দোরক্তুনা মহৈরোয়শিংগী লূপশিং, মখোয়গী অপূনবা লূপশিং, হ্যুমেন রাইটস ওর্গনাইজেসনশিংনা খ্বাইদগী কনবা মওংদা কন্দেম তৌনরকপা লেপত্রি। তৌফম থোকই, তৌফম থোকপদগী তৌনরক্লিবনি। নোংমগী খূৎশুমলনা হিংজবা মীচম ১৩ নোংমৈনা কাপ্তুনা পুল্লপ হাত্তোকপীখিবনি। মীয়ামগী মীহুৎশিংনা মীয়ামগীদমক্তা লৈঙাকচবা লৈঙাক অমদা থোকফম থোক্তুবা থৌদোকনি। চুম্নতগী পেন্দবা ফোঙদোক্লবগী মথক্তা হেন্না কনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লকপা চুম্মী। মরমদি থৌদোক্তু খূৎলায় পায়বা লান্মীশিংদা অহেনবা পৱার পীদুনা মথৌ শঙলিবা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱর্স এক্ট (অফস্পা), ১৯৫৮গী মরুমদা থোকখিবা থৌদোক নত্তে হায়দুনা চেনবা য়ারোই। থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা লান্মীশিংগী মায়কৈদা মখোয়না আউট লো অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসন অমগী এক্টিভিষ্টশিং পুল্লপ গাড়ী অমদা তোংলগা থৌদোক থোকখিবা লম্বীদুদা লাক্লগনি হায়বগী এদভান্স ইন্টলিজেন্স ফংবা ওইরবসু মীচমশিংদুনা তোংদুনা লাকখিবা গাড়ীদু লালহৌবশিংনা তোংলকপা গাড়ী ওইব্রা নৎত্রগা ওইখিদব্রা, লান্মীশিংদুনা ফংই হায়রিবা মাঙজৌনবা ইনফোর্মেসন অদু চুম্লব্রা নৎত্রগা লানব্রা হায়দুনা খূৎ থাদ্রিঁঙৈদা ভেরিফিকেসন তৌখিবগী মমি তারমদে, থেংনদে। থৌদোক্তু অমম্বা নুমিদাং অমসুং অহিংদা থোকখিবা নত্তে। নীংথম থাগী মতম ওইরবসু, থোকখ্রিবা মফমদুনা চীং লম্বী ওইরবসু ইঙান ঙান্না উবা ফংলিঁঙৈগী মতমনি। হান্না খংলাক-খংজিন্দা খূৎ থাদুনা এম্বুশ তৌরগনি হায়দুনা ঙাইবা ওইরগসু লান মনুংমক্তি নত্তবনিনা এটেক তৌনীংলিবা টার্গেটতু চুম্লব্রা হায়বদুদি খূৎ থাদ্রিঁঙৈদা য়েংথোক্কদবনি। মরমদি মফমদু পব্লিক প্লেসনি।

অদুবু হায়রিবশিং অসিগী লৌশিং, খূৎলায় পায়বা লান্মীশিংনা তঙাইফদনা তৌহৌগদবা থবকশিং চেন্নরিবা পর্সনেলশিংদুনা খঙদবদি ওইরম্লোই। মরমদি মখোয় লৈবাকসিগী লান্মী অমা ওইবগী ত্রেনিং মতিক চানা ফংলবা মতুংদা অফবা খূৎলায়শিং ইস্যু তৌদুনা মফমদুদা দিপ্লোই তৌরিবনি। অদুবু থৌওংদুনা তাক্লিবদি মখোয়না পূন্নমক্তু খঙলগসু অফস্পানা মখোয়দা পীরিবা ঙাক্লৌ, মখোয়বু কূপশিন-খুমজিন্দুনা থম্বীরিবা অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা নৱাংদুনা হে তোংদুনা চত্থখিবা থৌওং ওইগনি খল্লি। অদুনদি হৌজিক কৈদৌবা তাবগে? অসিগুম্বা মীচম-মীয়াম্বু পুল্লপ-পুল্লপ হাৎপা ঙম্বগী থৌনা পীরিবা অফস্পা লৌথোক্কদবনি। মণিপুরদদি এক্টসিগী মায়োক্তা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিনখ্রে। মীয়ামগী অকনবা ঈহৌদগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৭তগীদি লৌথোকখ্রে। অদুবু লেমহৌরিবা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৫৩দা লৈরি। লৌথোকখিবগী কানবশিং ফংলবসু মমিংতগীনি হায়বা য়ারি। মসি মণিপুর খক্তনা এক্টসিগী মায়োক্তা নাইতোম লেপ্লুবদগী ফাওবা ওইরম্বা য়ারি। মরম অসিনা হন্দক্কী থৌদোকসিদগীদি হান্নদগীসু এক্টসিবু রিপিল তৌগদবনি হায়রক্লিবা মণিপুর খক্তা নত্তনা নাগালেন্দ অমসুং মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টরশিং ফাওবনসু ফোঙদোক্লরক্লবনি। মসিগী খুদোংচাবসি মাঙহলহৌবা চুংলোই। অৱাং নোংপোক্কী এক্টসিবু লিশাং শিংনা মায়োক্লুরক্লিবা ষ্টেট পূন্নমক্কী ষ্টেকহোল্ডর পূন্নমক্কী অপূনবা লূপ (কোওর্দিনেসন কম্মিটি) অমা শেম্লগা ষ্টেটশিং অসিগী মীয়াম অমসুং লৈঙাকশিংগা খূৎশম্নরগা অকনবা খোঙজং চঙশিনহৌগদবনি। দেল্লীগী লৈঙাক পায়রিবশিংদা অমত্তা ওইনা তকশিনমিন্নগদবনি। মসি নৎত্রগদি তরাই-তরাইনা হেক্তা লৌথোরক্কনি থাজদে। মরমদি অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা লালহৌবগী ঈরাংসি দেল্লী লৈঙাক্তা খ্বাইদগী কোক চিকহন্নবগী মরমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি। মসিমক্তা লালহৌলূপ খরগা খূৎলায় থাদোক্লবগী য়ানবা থমদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবনি হায়দুনা ৱারী শানরক্লিবনি। সরেন্দরগী স্কিমশিং হৌদোরক্লিবনি। সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) তৌনবগী খোঙথাংশিং থাংলক্লিবনি। মরম পূন্নমকশিং অসিনা অফস্পানা অৱাং নোংপোক্কী লালহৌবশিং লাকশিন্দুনা নমথবা ঙমদ্রে হায়বসি চহী কয়া এক্টসি চৎনহল্লকপদগী থোকখ্রিবা থৌদোকশিংদগী ময়েক শেংনা খঙলবনি। অফস্পা থমজিল্লকখিবা, কন্ট্রিমেদ নোংমৈ পায়রম্বা লালহৌবশিং হৌজিক মালেমগী খ্বাইদগী সোফিষ্টিকেটেদ ওইরবা খূৎলায়শিংগী মপু ওইবা ঙম্নরকপা য়াওরক্লবনি। লালহৌলূপশিংগী মশীংসু ঈশিং ঈচাওদৌনা হেঙ্গৎলক্লিবনি। অফস্পানা ফংনীংলিবা পান্দমদু লালহৌবশিংগী মফমদদি ফংবা ঙমদে। মসিগী মহুত্তা লালহৌবা নমথবগী মিংদা লান্মীনা লাঞ্জদ্রবা মীচম মীয়াম, নুপী অঙাংদা চৎহৈদবা থবকশিং চত্থহনবা ঙমহনবা, মীশি-মীনা, মীহাৎ-মীপূন থোকহন্দুনা মীকপ-মীরাওখোলশিংনা পুমনিল নিলহনবদা নত্তনা অতোপ্পা কানবা লৈতে হায়বসি চুম্লবনি। হন্দক্কী মতাং চাবা থৌদোকসি লেম্না মাঙহন্নীংদে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩২

১) মণিপুরগী মমিং চৎলবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবা ৱারীমচা অমগী মমিংনি ***"কৈথেল লুকোক"*** হায়বসি। কনানা ইবা করি ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবনো?

২) **"কিশি"** হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) রঘু লৈশাংথেমনা ইবা ***"খুঙ্গংগী চিঠি"*** হায়বা লাইরিকসি কনানা করি মমিং হায়না ইংরাজিদা হন্দোকপগে?

৪) ***"ঙসি ঙসি হয়েং হয়েং মাঙখি মতমসু।/হন্না য়ৌনবু য়েংবীরমদে কনাবুসু।/নুংশি হৈতবী মতমনি/ৱারকচেৎপী মহাক্নি।"*** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

৫) ***"লাইথুং মখাক লাইমন মচিৎ"*** হায়বা লাইরিক্কী অইবসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফৱা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩১গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) ধনেশ্বরি থিয়াম, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেজর মমাঙ লৈকায় - (১,২,৩,৪)
২) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১,২,৪,৫)
৩) নিলান্দো মাইবম, সাম্বে মখা লৈকায় - (১,২,৪)
৪) রাজকুমার জিরীন, পুরানা রাজবারি নোংমৈবুং - (২,৪,৫)
৫) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অতৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৪,৫)
***৬) সেঞ্জম মেলোদি চনু, ইরেংবন্দ ময়ায় লৈকায় - (১,২,৪,৫)***
৭) থোংগ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ- (১,২,৪,৫)
৮) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১,২,৪,৫)
৯) খুঞ্জাময়ূম অনন্দকুমার, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৪,৫)
১০) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৪,৫)
১১) তোংব্রম সুনিতা, লুৱাংশঙবম অৱাং লৈকায়- (২,৪)
১২) অকোইজম ঘনশ্যাম, থৌবাল অথোকপম মখা লৈকায় - (১,২,৫)
১৩) অকোইজম নোংমাইনিংথৌ, খুন্দ্রাকপম মখা লৈকায় - (১,২,৪,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৩০গী ৱিন্নর*

***সেঞ্জম মেলোদি চনু, ইরেংবন্দ ময়ায় লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৩১গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবী মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৫৬

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

শুমাং লীলা য়াওবসি ওম্বোক্লা অৱাবা অমনি। অমরোমদা মসিদগী হেন্না নুংঙাইবসি লৈতে হায়না ফাওবা লৌবা য়াই। পূক্লিং-ৱাখলগী নীংতম্বা অমদি মসিগী পেঞ্জবগী মনুংঙাই অসিদি তম্বগী লোইবা নাইরোই। লীলা অমা ৱানা তমগনি, পুথোক্কনি, শান্নগনি, মদু য়েংবীরগা মীয়াম্না পেনবীবা মসিদৈ হেন্না নুংঙাইবসি অতৈ লৈতে হায়না খঞ্জবসি লীলা য়াওবীবশিংনদি খঙই। অদুনা মসিদগী হেন্না নুংঙাইবা লৈতে হায়জবনি। অদুবু মসিগী অৱাবসিসু অরোইবীনি। অৱাবসি মখল ময়াম থোক্লা লৈ। চাওরাক্লা পাউদম খরা পীজবা য়াবদা, লীলা শানবা চৎপা হায়বসিমক্তবু চাফম থকফম খঙবা নত্তে। চানীংলসু চাফম লৈতে, মতমসু লৈতে। য়ূমদা চাক অশাবা চাবা শুকফং হেক ফংদে। য়ূমগী মীনা চাক ঈশিংগী মতাংদদি হাপ্পীদ্রবগা চপ হেক মান্নে হায়দুনি। হাপচিল্লুনি, চাদবনা হেনবনে চজিক ওইনা লৈহৌই। অদুনা হুন্দোকপা পাম্মুবনা ইমুংগী মীনা চজিক চাবদা চারাসু হেঞ্জরিবা ঐঙোন্দা মীচৈবু চারিবনি।

নোংফাদোক, য়ূমদগা খরা ঙন্না হঞ্জিনগে হায়বসি অরেপ্পা লৈবা নত্তে। লীলা শান্নবা চৎলগা শান্নফম লৈরমদবা, নোং চিং তাবদগী খুদোং চাদবনচিংবা মখল কয়া অমা শান্নদনা হল্লকপদা য়ূমদা হঞ্জিল্লকপদা নৌনা চাক থোংগৎলগা চাবদুসু মনুংঙাই অমনি। লাম্মনবনা এঞ্জাং থোংদনা চাকমাইদা আলু অমা ঙানশিল্লগা মোরোক্কা মেৎলগা চাবদুগী মহাউদুসু অমনি। লীলা চৎপা হায়সিদি মতমগা ফত্তবনিনা নোংঙাল্লমদাইদা হল্লকপসি খুদোং চাদবনিনা, লম খরা লাপ্লবদি লীলা মফমদা অয়াম্বা লেক্লুরম্মী। নৎত্রবসু লীলাগী ওফিসতা অহিং লেক্লগা নোং ঙাল্লগা হল্লকপনা অয়াম্বনি। লীলাগী ওফিসতা তূম্বসি পূক্লিং য়াম্না নুংশিবনি। ফক অমা থাগনি। মদুদা ইচম চম্বা ফি অমা থারগা হেক্তা তূম্বনি। অদুনা মখাদগী ফাওগৎলকপা লৈনিনদুনে কৈনে তূম্ফমগা খঙবা নত্তে। পুক্তা চাক্কা য়াওদ্রবনিনা ঈংখৎলকপদা তূম্বগা য়াবা নত্তে। অদুবু ৱারবনিনা মদু পূন্নমকশিং অদু থোইদোক্লা খল্লুদে, তাবগা হেক্তা তূমখি। তূম্মিনি হায়না তৌরিদুসু মোনগা খাংবা নত্তে। মোন লৈতে। মোন শারিদু তম্বদা ময়াম্না নোক্কনি। চেক খরা ওফিস মনুংদা থম্মী। মদু অমা পুশিল্লগা মদুগী মথক্তা লীলা চৎপগী ফিরোলদু থারগা অদুম খাংবনি। ঙক্কা নাখ্রপোৎনি। মী অমনা হেক্তা তূম্বা ঙম্বা নত্তে। হৈনরোই, লীলাগী কাঙবুদি মদুনা হেন্না হৈনৈ। থোক হেক্তা ইশি শিনা তূম্নখি। তূম্বা য়াদবদগী মল্লিঁঙৈদা হৌগৎলগা হোটেল অঙনবা থিরগা তল চাবা, চা থকপা, অদুগা মায় মীৎ তাথোক্লগা য়ূমদা নে তানা হল্লকপনি। অদুবু ঐমক্তি য়ূমদা হন্নবগী খুদোংচাবা ফংদবনা অয়াম্বনি। মরমদি ঙন্না ওফিস অমুক কাগদবনিনা, য়ূম তান্না সাইকল থৌরগা চৎলগা হেক য়ৌবগা অমুক তন্না সাইকল থৌরল্লগা ওফিস চৎপদুনা হেন্না ৱাবনিনা, য়ূমদা হন্দে, হোটেলদা কৈ কৈনো খরা চারগা ওফিসতা অদুম চৎলে। অদুগা অমুক ওফিসতগী ঙন্না হল্লক্লগা লীলা অমুক চৎপনি। অদুনা য়ূমদা হন্নবগী তাঞ্জাসি পাক পাক ফংদে।

পূন্নমক্কী ফীভম অসি লৈবনা তাঞ্জাবু চারবদি চাক চখোম অমতা ওইরসু চানবা হোৎনবা হায়বসি মরু ওইবা অমনি হায়না লৌই। মতাংসিদা হন্দক্তা কোভিদ-১৯গী তমথীবা লাইচৎনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা ঐখোয় পার্টিগী শৈশকপা নব শর্ম্মবু নীংশিংদবা ঙমদে। মহাকসি চাবসু য়াম্না ফবা মীনি, মবুক য়াম্না চাওই, চাক লামগল্লি। ঐসুনি, ঐদি য়ূমদগা কয়া হন্দ্রবনিনা, ঐগীসু খল্লগা মহাক্লা চাফমসি হেক্তা শিল্লকই। তাঞ্জা ফংবগা ঐবু তূমিন্না কৌথোক্লগা হেক হেক চাই।

চারম থক্লম খঙদনা লীলা তৌবসি হকচাংদি ফনা ফজনা শোকপজাৎনি। লীলা শান্নরিঁঙৈ, ঐ ঐনা তৌজবা খরদুদা মীয়াম্না পেনবীরিঁঙৈ, অৱা অনা পূম্বা কাউখি। শিরোইদবোই নারোইদবোই খন্নরম্মী। অদুনা থোইদোক্লা তুংলমচৎ খঙদনা কোইনা চৎতুনা মীয়ামগী থৌগল তৌনরকখি। চহী য়ামশিল্লক্লবা মতমদা খঙলকখিবা ঙাক্তনি। শুমাং লীলা য়াওরম্বা অহল লমনশিংনা তত্তনা হায়খি, ইচাশা চাবা থকপা চেকশিল্লুকো। অমরোমদা তূমদবা হায়বসি হকচাং য়াম শোকপনি, অদুনা মতম হেক ফংবগা ঙাইহাক্তা ওইরসু তূম্নবা তৌকো। অদুগুম্বা মতম কয়া কয়া হৌখ্রে। চহী য়ামশিল্লবা অহল কয়া ঙসিদি য়ূমদা পোত্থাদুনা লৈনরবা মতমদা মশা য়াম্না শোকচিন্না লৈবা উরি। মখোয়গী মতম অমগী মীংচৎ কয়া অদু উরু-নীংশিংলগা হৌজিক মখোয়না ওইরিবা ফীভম কয়া অদু য়েংলুরগা য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওই। লীলা য়াওরিঁঙৈ মতমদা খরা খরদা ওইরসু থোক্লম্বা শেনফমনা মতম মতমদুগী ওইনা নুংঙাইনা পুন্সি লেন্নখিবা ওইরবসু, হৌজিক শেল থোকফম লৈরক্তবা, শুবা নোম্বা ঙম্লক্ত্রবা মতম অসিদা ৱানা পুন্সি লেল্লিবা কয়া অসি য়াম্না নুংঙাইতে। মখোয়গীদমক অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীবা চুমগনি। হোই অমরোমদা মখোয় মখোয়না মপান ফরিঁঙৈদা মখোয়গী তুংগী পুন্সিগী ফিরেপ অমা লেপচবা ঙম্নবা হোৎনজরমগদবনি। অদুবু মদুগী ৱাখল অদু শান্না উবা ঙমখিদবা অহল লমনশিং ঙসিদি ফীভম য়াম্না চানদ্রে। অদুনা ঙসিগী মতিং থোক্লা লীলা তৌবীরিবা নহা ওইবশিং অসিনা তুংলমচৎকী য়েংদুনা করিগুম্বা অখন্নবা থৌরাং খরদি পায়খৎপীহৌবা চুমগনি। মসি মখোয় মখোয়দসু নোংমা শোয়দনা কান্নরকখিগদবা ঙাক্তনি। ঐ ইশানা মতম অমদা য়াম্না কন্না হায়জখি। মীফম কয়া ফমদুনা ৱেলফ্যের ফন্দ অমা থম্নবা ৱা তানখি। লীলা অমা চৎপদা ওর্গনাইজেসনদুগী (পার্টিদুগী) ওইনা ৱেলফ্যের ফন্দদা লুপা ৩০ হাপ্পা, ইনি দভিজুএল আর্টিষ্টশিংনা লুপা ১০/১০ কক্লগা ফন্দ অদুদা হাপচিনবা, মদুগী শেনফম অদু ত্রষ্ট অমা শেম্লগা নৎত্রগা বেঙ্ক একাউন্ট হাংদুনা থম্বা, মতম মতমগী ওইনা ফিক্স দিপোজিৎনচিংবা তৌদুনা হেন্না চাওথোকহন্নবা হোৎনবা হায়বা ৱাফমশিং অসিনি। অদুবু খরা অমনা ৱাফম অদু শৌগৎলবসু অয়াম্বনদি মচিন পৈথোক্লখিবা ঙাক্তনি। অরুবা অনা অয়েক লাকপা মতম, খুদক্কী ওইবা খুদোংথীবা তারকপা মতম, চহী য়ামশিল্লকপনা শেম্বোক লম্বী লৈরক্ত্রবা মতমদা খজিক্তং ওইরবসু তেংবাঙবা ঙম্নবা, ৱা তানবা হৌখিবা, ঙসিদগী চহী ৩০ মুক্কী মমাঙ অদুদগী থৌরাং খরদা ওইরবসু য়াৎলম্লবদি ফরমগনি। অদুবু নোংম-নোংমগী ফংলিবা শেনফম অদু মখোয় মখোয়না অহিং তূমদনা তানখিবা শেনফমনি। মদুদগী লুপা ১০ পুথোক্তুনা মীয়ামগী ফন্দদা হাপ্পা হায়বসি য়ানীংখিদে। অহিং তূমদনা লীলা তৌরিবা ঐখোয়না ময়ূমদা নুংঙাইনা তূমদুনা লৈরিবা মখোয়গী য়াইফনবা করিগী তৌদৌরিনো হায়না ইফোং ফোংনা হায়বা মীশকশিং য়াওখি। অদুবু ঙসিদি মশা মশাদা পাল্লবা মতমদা শোয়দনা খঙলমগনি। মতমদুদা ময়াম্না হৌদোরক্লিবা অদু য়ারম্লবদি ঙসি মতেং খরদা ওইরসু ফংগদবনি হায়না।

মীওইবগী পুন্সিবু তম্বা ঙম্ব্রা? খুদোংথীবা অনাবা অমনা ফমুংদা য়াতাদুনা লৈবা মতম শুংলাক লাক্লোই হায়বসিবু কনানা হায়বা ঙম্বগে? হৌজিকসু মতম লৈরি, খন্নবা য়ারি। ঐগী ৱা নত্তে। মতমগী ওইনা পুরিবা লৈঙাক্তা প্রেস/মীদিয়াগী ওইনা পেন্সন পীনবা শেনফম খাক্তুনা ত্রষ্ট শেমদুনা থম্বীরিবা অসুম্না চঙগদবা শেনফম আর্টিষ্টশিংনা পুথোক্লগা, লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু ওইথোকপা য়াবা লম্বী য়েংবীদুনা শিন্নবা য়াবগী লম্বী লৈগনি। মদু য়েংশিনবা মথৌ তাই। ওইথোক্লোই খল্লগা তূমিন লৈববুদি, ওইথোকপা য়াগদবা লম্বী লৈব্রা হায়না থিবা হায়বসিসু অশিংবশিংগী থৌরাং ওইফম থোকই। ●

# পাড়া তম্বীবগী মতম য়ৌরে

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

শেল খরা য়েল, শানৈ-য়ুনৈ খরা তৌহনবা, গাড়ী মোটোর সাইকল থাও খরা হানবীরগা অতোপ্পা মতু শোনবা নৎত্রগা শেল পায়জদবা মীরেপশিংগী মীফমদা অয়েৎ-অপন তৌবা অদুনদি মীখলদা মায় পাকপা য়াদ্রে হায়বসি হন্দক লাক্লিবা ২০২২গী ১২শুবা মণিপুর এসেমব্লি ইলেক্সন অসিদা তৌবা য়াদ্রে হায়বগী পাড়াদো তম্বীবা, উৎপা মথৌ তারে। মীখলদা লুচিংবা অমা ওইগনি হায়দুনা চোঙথোরক্লিবা মীরেপশিং অদুনা করি খল্লি, করি তৌনীংলি, করি পাঙথোক্লিংলি হায়বসি মখোয়না ফোঙদোরকপা অমদি ৱাহং পাউখুম তৌনহন্দুনা, দিবেট তৌনহন্দুনা মীয়ামদা খঙহনবা মথৌ তাই। অসিগুম্বা মশা মশাগী ওইবা পূক্লিং, ৱাখল্লোল অসি দেমোক্রেসি নীংথিনা চৎপা লৈবাকশিংদদি মীয়াম তিনবা ফম্বাক্তা ফোঙনা থোকহন্দুনা ফোঙদোকহল্লি, য়েৎনহল্লি। অদুবু অৱাবদি অসিগুম্বা অচুম্বা, অফবা চৎনবী অসি ইন্দিয়া অমদি ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদদি থমদে, লৈহন্দে। মসিনা মরম ওইদুনা মমল য়াল্লবা মীচম মীয়ামগী রাইটপু মমল লৈতনা শেল পায়বা, লুচিংবা অমা ওইবগী মতিক ময়াই য়াওদবা, লুচিংবদি ওইজনীংবা মীরেপশিংনা মীখলদা হুরান্দুনা তানখিবা শেঞ্জাও-শেঞ্জাও চাইথোরল্লগা ইরায় লায়না মীখলদা মায় পাক্লিবা। অসিগুম্বা অসি থোক্তনবা মীচম মীয়ামদা করম্বা মীরেপনা অফবা লুচিংবা ওইরক্কনি, মতিক চাই চাদে খঙননবা চোঙথোরক্লিবা মীরেপশিং অদু মীয়াম তিনবা ফম্বাকশিংদা কৌথোক্তুনা মখোয় মখোয়না নীংজরিবা, খঞ্জরিবা অমদি পাঙথোক্লীংবা থবকশিং অদু ফোঙদোকহনগদবনি। মখোয়গী অপাম্বা, অনীংবশিং ফোঙদোকপদা নত্তনা করিগুম্বদসু মীরেপ অমবু অতোপ্পা মীরেপ অমদগী নৎত্রগা মীরেপশিং অদুদগী মহাক্লা হেন্না ফৈ খঙনবা অচুম অরান কয়াসু পুথোক্তুনা ঙাঙনৈ অমদি য়েৎনৈ চাওখৎলবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংদদি (দিবেট)। মসিমক টাইৱানগী ইলেক্সন খুদিংমক্তা পাঙথোক্তুনা লাক্লি টাইৱাননা দেমোক্রেসি চৎতুনা পার্টি অনী শুনা হেক লৈরকপদগী।

লাইবক থীবদি, অসিগুম্বা খোঙথাং অসি ইন্দিয়াদা অমদি ঐখোয় ইরমদমদদি তৌদ্রি হায়বা তারে। অসিগুম্বা অফবা খোঙথাং অসিবু করিগীদমক তৌদ্রিবনো হায়রগদি শেঞ্জাও চাওনা থাদবা ঙম্বা মীওইশিং, মীচং শঙ্গ লৈবা পাল্লি-পাল্লিবা লৈঙাক অদুগী মীরেপনা শেল চাইথদুনা মীয়াম্বু অফবা ফত্তবা খন্থবগী লম্বী অমত্তা পীবিদনা, নমথাক তৌবীদুনা লৈঙাক অদুগী নৎত্রগা মনি পৱার, মসল পৱার অমদি গন পৱার লৈবা মীরেপশিং অদুনা মীখলদা মায় পাক্লবনি। অসিগুম্বা চৎনবী অসি লৈবননি পিকখ্রবা সিঙ্গাপোরনা ইন্দিয়ানা য়াম্না চাওথোকচনা খ্বাইদগী চাওবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি হায়না লাউথোকপদা নোক্লরিবা।

অসুম্না মীয়াম মাঙদা মীরেপশিং অসি পুথোক্তুনা মখোয় মখোয়গী পূক্লিং, ৱাখল্লোল অমদি পাঙথোক্লীংবা অপাম্বশিং ফোঙদোকচহল্লবদি মীরেপশিং অসিগী মরক্তগী কনানা হেন্না ফৈ, মতিক হেন্না চাই, লুচিংবা অমা ওইবগী মতিক ময়াই য়াওই, মরমদম্বু তশেংনা নুংশি হায়বনচিংবা পোৎলমশিং অসি খঙজবা ঙমগদৌরিবনি। অসুম্না খঙজদুনা ৱাখল তারবদি মীয়াম্বু ইরায় লায়না শেলনা লৈবা ওইথোক্লোই। মীয়াম্না তশেং-তশেং খঙজরবা অমদি ৱাখল তারবদি শেল ফনা য়াম্না য়েল্লবসু মতিক চাদবা মীরেপতি মীখলদা শেল তিংবা, মতম মাঙবা অমদি মায়থীবা নত্তনা অতৈ করিসু ফংবা ঙল্লোই। লাইবক থীবদি অসিগুম্বা অফবা চৎনবী অসি তৌদবনা মথোং মরম খঙদবা, আইন মশক খঙদবা, লাইরিক লাইশু নীংথিনা হৈতবা, শেলদি য়াম্না পায়বা, অরানবা মওংদা শেল তানবা হৈবা মীশক কয়ানা মীখলদা মায় পাক্তুনা ঐখোয়গী লুচিংবা ওইদুনা লাকপনা ঐখোয়গী ইরমদম চাওখৎপা ঙমদনা লৈরক্লিবা অমদি খম থেংনা অৱাবা নংনরি ঙসি ঙসিমক।

মসিগী অফবা চৎনবী অসিমকনি য়াইস্কুল এ সীগী মীরেপ ওইনা চোঙথোরক্লিবা টি ঐচ বৃন্দানা পামজরিবসু। অসিগুম্বা মীয়াম মাঙদা থোকহন্দুনা মাগী মাগী অনীংবা ফোঙদোকপা অমদি অফ-ফত্ত য়েৎনহন্দুনা করম্বা মীরেপনা হেন্না মতিক চাই-চাদে হায়বসি য়েংথোক্কদবনি। টি ঐচ বৃন্দাদি মসি ঙাইদুনা লৈরি। অদুবু য়াইস্কুল কন্সটিট্যুএন্সিগী ইরৈচাশিংনা করি খল্লি। অসিগুম্বা অচুম্বা মওংদা মীখল পাঙথোক্তুনা মায় পাক্লবা হোৎনবগী মহুত্তা টি ঐচ বৃন্দাগী মীফমদা অথিংবা, অয়েৎপা পীদুনা, অকায়বা পীনবতা হোৎনরি পাল্লিবা লৈঙাকসু অদুগা মহাক্কা থেংনগদৌরিবা মীরেপসু। হৌজিক হৌজিকসু টি ঐচ বৃন্দাগী মীফমদা ৱা ঙাঙলুবগী অন্দরগ্রাউন্দ পার্টিগা মরী লৈনৈ নৎত্রগা অন্দরগ্রাউন্দ পার্টিগী মীওইনি হায়জিন্দুনা জেলদা মীওই অমা ফাজিন্দুনা থম্বীরি হায়না তাই। লৈঙাক্লা হায় হায়রিবদু চুম্লবদি মীফমদুগী মমাঙদা ফাবদি য়াদব্রা? লৈঙাক্কী থৌওং অসি মীয়াম্বু কিহনবনি, মীয়ামগী চিন মেনশিন্নবা হোৎনবনি নম্ফুদা। মসিনা লাক্লিবা মীখলদা অফবা ফল পুরক্কনি হায়বদি থাজদে। মীয়াম্নসু মসি খঙনা ইশা ইশাগী মমল য়াল্লবা ভোট অফবা লুচিংবা ওইরক্কদবা মীরেপশিংদা থাদবীয়ু।

অসুম্না মীয়াম তিনবা ফম্বাক্তা পুথোক্তুনা ফোঙদোকহল্লবা, য়েৎনহল্লবদি য়াইস্কুল এ সীগী মীয়াম্না করম্বা মীরেপনা খ্বাইদগী হেন্না মতিক চাই হায়বা খঙহল্লবদি শেল য়াম্না পায়গেরা, হান্নগী এম এল এ ওইগেরা, মিনিষ্টর ওইগেরা মখোয়না শেল পীদুনা নৎত্রগা মসল পৱার শীজিন্নদুনা ভোট লৈবা, ফংবা ওইথোক্তবনি। অসিগুম্বা অচুম্বা চৎনবী (সিষ্টম) অসি লৈতবননি ঙসি ফাওবদা মতিক চাদবা মীওই কয়ানা লুচিংবা শাশিন্নদুনা লাকপদগী চাওখৎ খোঙথাংগী থাদরকপা শেনফম খুদিংমক মখোয় মখোয়গী ফুরিৎখাওদা থাজিনবা, য়ূম মথোল মথোল শাগৎপা, দুকান প্লোট, লৌ ইঙ্খোল ময়াম অমা লৈশিনবা ঙল্লিবা। মসি য়াইস্কুল এ সী খক্তগী ৱাফম নত্তে, মণিপুরদা লৈরিবা এ সী খুদিংমক্কীনি।

মীখলগী মীরেপ অমা ওইগে, লমদম অসিগী লুচিংবা অমা ওইগে হায়রবদি লাইরিক লাইশু খরসু হৈফম থোকই। শেল পায়রগা, গুন্দা ওইরগা, মীচং শঙ্গ খরা লৈরগা লুচিংবা অমা হেক্তা ওইগনি হায়বগী ৱাখল্লোন অসি চৎনবা য়াদ্রে হায়বসি মীচম মীয়াম্না অফবা, মতিক চাবা, মরমদম্বু নুংশিজবা শেলদি য়েনবা ঙমজদবা মীরেপশিংদা মীখলদা মায় পাকহন্দুনা পাড়া তম্বীবা মথৌ তাই। মখোয়না শেল খরা থাদরগা ভোট লৈবা য়াই হায়না খনবদগী নৎত্রা ঙসি মখোয়না মশা মশাগী কানবতা খন্দুনা পার্টি অমদগী পার্টি অমদা, মরু ওইনা লৈঙাক পায়রিবা পার্টিদুদা মনীং তৌনা চোঙথোক চোঙশিন ঙল্লিবা। মসি য়াদে হায়বগী পাড়া অমা তম্বীবা মথৌ তারে লাক্লিবা ২০২২গী মীখল অসিদা। অসুম্না পাড়া তম্বীবা অসিনা ঐখোয়গী খুন্নাইদা অফবা অহোংবা পুরকপা ঙমগনি। দেমোক্রেসিগী ৱাহম্বোক : "government of the people, by the people, for the people" হায়বগী ৱাহম্বোকসি লৈহনসি হায়রবদি হন্দক্কী মীখলসিদা উৎলসে ইরৈচাশিং। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩১গী পাউখুম

১) ***"শীঙেন নাচোম"*** হায়বা কুমজা ১৯৩৯দা অহানবা ফোঙখিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? ***:- মহারাজকুমার শ্রী বোধচন্দ্র সিংহ; লাইরিক্কী মখল - শৈরেং।***

২) **"তমথীবা নোংলৈ"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা, করি লোলগী লাইরিক্তুগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ***:- কমলেশ্বরনা হিন্দি লোলদা ইবা 'কালী আন্ধী' হায়বা লাইরিক্তুদগী মণিপুরীদা সিজগুরুময়ূম ব্রজেশ্বর শর্ম্মনা হন্দোকপনি। অহানবা ফোঙবা, ওগষ্ট ২০০৩।***

৩) **"ৱাখলগী মরোল মরোল নাইরবা চেনাশিং/আশাগী ৱাংখৎখ্রবা তেলঙ্গাশিং/কোয়লৈ কোয়লৈ/অকনবা নুংশিৎনা/হুমদোকখ্রি অসুম ইকুম ওইনা/থম্মোয়নুংদগী/মরূ ফূকখ্রি মঙলান য়াওনা।"** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগীনো? ***:- থৌদাম নেত্রজিৎ সিংহ; লাইরিক্কী মমিং - ঐগী খুঙ্গংদা লাক্লবদি; লৌথোরক্লিবা শৈরেং-মখোয়গী মীনোকশিং, লা: ১১, অহানবা ফোঙবা, ২০১৩।***

৪) ***"পোইরৈ নাৎকী ৱারেং"*** হায়বা লাইরিকঅসিগী অইবা কনানো? ***:- নাউরোইবম ইন্দ্রমনি; অহানবা ফোঙবা, ২০১৫।***

৫) ***"কেকু লোৎপী'*** হায়বসি অইবা কনানা ইবা, করম্বা মখলগী লাইরিকনো? ***:- আই এস কাঙজম; ৱারীমচাগী লাইরিকনি; অহানবা ফোঙবা, জন্যুৱারী, ১৯৯৯।***

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।